ꯍꯨꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ HUEIYEN LANPAO
Thursday, August 21, 2025, Imphal


# “মৈরানবীনা মৈরীদা চোংশিল্লগা শিবা-!”

– এল ইবোমচা –



মীওইবনা খুন্দারকঙৈদগী চৎনরক্লবা ফুঙ্গা ৱারী (চাকঙাই ৱারী) কনানা হৌদোরকপনো হায়বা থিরুদ্রবসু, নীংশিংবা থোক্ত্রবা চহী চা কয়া কয়াগী মমাঙদগী ইপা ইপুশিংনা অকিবা অঙকপা নুংশিবদা য়ূম্ফম ওইবা মখল মথেলগী ৱারী মথং-মথং অমনা অমদা অসুম অসুম লীথনরকপা, তাবদা অচুম্বা অরানবা থিরুবা তৌদনা পূক্নিংদা ফাওদুনা কাউবা ঙমদনা লীদুনা লৈরিবা ৱারীবু ফুঙ্গা ৱারী কৌই।

মৈত্রবাক্কী নাৎ চৎনবী অমদি ফুঙ্গা ৱারী অয়াম্বা কংলৈপাক্কী অকোয়বদা লৈরিবা চীংমী, তমদা লৈরিবা মীরোলশিংগী নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী লৈরক্লবা ইপা ইপুনা চৎনরম্বা নাৎ-চৎনবী অমদি লৈরম্বা ৱারীদগী অসুম অসুম মখা শমথরকপনি। চীংমী-তম্মী তিন্ন-তোৎনবা নুংশি চান্ননা অমত্তা ওইনা হিংমিন্নবগী চৎনদুনা লাকচবা শৈথারোল অমদি ৱাহন্থোক লৈরবা ৱারী ৱাতাইনা অয়াম্বনি। নাৎ-চৎনবী, নুংশি-নুংওলগী ৱারীশিং, খুন্নুং ঈশৈশিংনা ফুঙ্গা ৱারীগী মচাক ওইনরি।

মণিপুরদা লৈরিবা নাৎ-চৎনবীসি লৈবাক নিংথৌগী অঙম্বগী অইবশিংগী মাইবা-মাইবীশিংগী, অশৈবশিংগী পোত্থোক অমত্তা নত্তে। অপূনবা মীওইগী লননি, মসিগী মপু অমা লৈতে। অদুগা কনানা হৌদোরকপনো, কদাইৱাইগী মতমদগী করম্বা মফমদগী হৌরকপনো তংদাংবা খঙবা ঙমদে। কনাগুম্বা অমনা শৈহেক শৈথারকপদা অতাবা কনানো অমনা মতৌ তমখিদুনা মী অয়াম্বনা পাম্নবা ওইখিদুনা মমৈথংদদি মীয়ামগী লন ওইখিরম্বসু কনানা খঙগনি। য়াওলগী মতুংইন্না শেমদোক শেমজিন তৌনদুনা মখা চত্থরক্তুনা ঐখোয়গী লেঙদ্রবা লন, নাৎ-চৎনবী, শৈশক-শৈরোল, ৱারী-ৱাতাই, পাউরৌ-পাউখোং অমসুং হায়না শক্লরকপা কয়াসিনা ফুঙ্গা ৱারী ওইরকখি।

পাউরৌগা কোন্নবা ফুঙ্গা ৱারী কয়ামুকসু লৈ, খরদং পল্লবদা - লুখ্রাবী শামু লোয়বী, য়েৎতুম পোৎনা লেংথোং ফাবা, লৈমা য়েংলিঙৈ খুনু কাবা, পেনা শেন্লিঙৈ শামুরৌ য়ৌবা অসিনচিংবনি। অমরোমদা লৈচিল নোংফাই থাংবা মতমদা নুংশা মঙাল লাকহন্নীংবগী শৈথা ঈশৈ অমদি মীতৈ ইমুং খুদিংনা অঙাংশিং মবুধি মরৌশিং লৈনবা অমদি প্রপ-প্রপ চাউহন্নীংবগী ৱাখলদা নুমিৎনা থোকপা মায়কৈরোমদা ওনশিন্দুনা থাঙ্গৎতুনা চোংবগী শৈথা ঈশৈ লৈ।

লুখ্রাবী শামু লোয়বী - মতৌ ইমান মান্দনা মরল-মথুম লৈবী লুখ্রাবীবু খঙনৈ। লুখ্রাবী পূন্নমক লায়রবী ঙাক্তা নত্তে হায়বনি। লুখ্রাবী মরক্তা লৌশিং লৈবী মপুকচেল চাউবী কয়ামরুম লৈ। মখোয় অদুদি মখোয়গী লৈজরিবা মরল মথুমদু শীজিন্নফম লৈতদুনা মতম অমদা কান্নরক্কনি খন্না কনাদসু খঙহন উহন্দনা চেকশিন্না য়োমশিন্দুনা থম্মী। অদুবু মী অয়াম্বনদি মাদি লুখ্রাবীনি, লায়রবীনি, তোল্লবীনি খন্নে। লৈবাক্কী অৱা অনা থোক্লকপদা হায়বদি চাক তাঙবা, ঈশিং চাউবা অমদি মৈহৌ লাংপোক থোক্লক্তুনা অৱা-অনা তারবা মতমদা লায়রবীনি, তোল্লবীনি খন্নরিবা লুখ্রাবীদুনা চোংথোরক্তুনা মীগী মতেং পাংলকই। মঙোন্দা কনাগুম্বা মী অমনা অৱাৎপা অমত্তং নীরুবদা মহাক্না ঙমজবা পুথোক্তুনা মতেং পাংলকই। মসিগুম্বা ৱাত্ত-পাদবী লুখ্রাবী অসিবু মীয়াম্না লুখ্রাবী শামু লোয়বী হায়রগা খঙনৈ।

য়েৎতুম পোৎনা লেংথোং ফাবা - মসিবুনা কনাগুম্বা অমগী ফুরিৎ নৎত্রগা ইন্নফি অমা লৈজবদা খজিক্তং শেগাইরকপদা য়েৎতুম মনাদা লংলা মতৎ অমত্তং লেংলগা ফোৎহৌরবদি মতম কুইনা চৎনহৌগদবদু হোরেন-হয়েং খন্দুনা লৈহৌবদগী পুমশে-শেগাইবনা হান্দুনা মাঙখিবদুবু খঙনৈ। হায়বদি অফবা থবক তৌগে খনবদা হোরেন-হয়েং তৌগে খনফদে। হয়েং ঙাইরুবা মতমদা ফত্তবনা কা হেন্না মাঙ তাকহনখিবনা হানখিগনি হায়বনি। খুদম ওইনা হায়রবদা পরিক্ষা থা অমা হেন্না ৱাৎলিবসিবু হায়দুনা অসুম অসুম লৈথোকপা অদুনা হয়েংদগী পাবিরগা লোইরে খন্দুনা নীংঙাই মলাইদনা লৈরকপদুনা পরিক্ষা য়ৌরকপনা হান্দুনা অহিং তূমদনা লাইরিক পাবসু করিমত্তা খঙবা ঙমদবা অদুগুম্বনি।

লৈমা য়েংলিঙৈদা খুনু কাবা - মশাগী অরুবা তঙাইফদবা থবক খুদিংমক থাদোক্তুনা কান্নদবা থৌরেম-ৱারেম তৌরুদুনা মশাগী ওইজবা কয়ামরুম মাঙখিবা অদুবু খঙনৈ। চাবা ফংদদুনা ৱারবা মতমদা খুনু অমত্তং ফংদুনা মৈদা লৌদুনা মুনবা ঙাইরিঙৈদা লম্বীদা মশক মতৌ চংখোনবী মৌনহা অমা চৎপদু উরুরে। ফজবী নুপীদু উরুবদগী কল্লকমনখিদুনা আ: য়ৌনা লাপ্না চৎখ্রবী নুপীদু করিসু কান্নদবদা য়েংদুনা খুনু অমা লৌহৌরি হায়বদু কাউখি। নীংশিংলক্তুনা হঞ্জিল্লকপদদি খুনু অদু মুশিন মুনা কারগা লৈরম্লে, চাবা য়াদ্রে। অসিবু লৈমা য়েংলিঙৈদা খুনু কাবা হায়না খঙনৈ।

পেনা শেন্লিঙৈ শামুরৌ য়ৌবা - মতম শোয়নবা য়াদবা থবক অমা খন্দোক-খঞ্জিন, শেমদোক-শেমজিন তৌরিঙৈদা থবক্তু নংহৌদবা অদুবু খঙনৈ। পেনা হায়বা যন্ত্র মখল অসি পেনা খোংবশিংনা খুনুং ঈশৈ শকপা মতমদা শীজিন্নৈ। য়াম্না লায়না পুথোকপা যন্ত্র মখলনি হায়দুনা থবক অমা তৌবদা ইরায় লায়না তৌবা ঙম্বদুবু ‘পেনামুক লায়’ হায়না শীংথানৈ। ঈশৈ নুংঙাইবা মতাং শক্লিঙৈদা পেনা অদু শেম্নবা হোৎনবদা মতম শাংনা চঙমনখিদুনা খোঙনা শামুরৌ য়ৌনা চৎপনা পেনা অদু শেম্বা লোইবদগী হানগনি হায়না হায়বনি। মসিগী পাউরৌদি কান্নদবদা মতম মাঙহনগনু হায়বনি।

অসিগুম্বা ফুঙ্গা ৱারীগী মনুং চল্লিবা পাউরৌ পাউতাকশিং অসি তারুরগা অতাবশিংগী থম্মোয়নুংদা তূমদুনা লৈরিবা রস পূন্নমক হৌরক্তুনা নুংশিবা অকন-অথৌবা, অথুম্বা, অশিনবা, অয়াকপা লোইনা থোরকই। ৱারীশিং অসি ৱাখলনা শাগৎপা, পংহায় হায়জিনবদি নত্তে। অখঙ অহৈশিংনা চহী কয়াগী মমাঙদগী থোকখিবা থৌদোক ময়াম মখল মখলশিং অদুগী মশক মমিং থাদুনা ৱারী লীবা ঙমদবদগী মমিং তোঙান তোঙান্না থোঞ্জিল্লগা প্রমান পান্থে, পাউরৌদা হেন্না নীংথিরবা মওংদা শেমদোক্তুনা অচুম্বদা অশেংবনা লৈতেং ওইদুনা হয়েং তুং কোইবা ফাওবা চৎহৌনবা মচা-মশুশিংদা মথং-মথং ৱারী ওইনা লীদুনা তাহন্নবা চাকঙাই ৱারী (ফুঙ্গা ৱারী) হায়না মমিং থোন্দুনা থম্বীরম্বনি।

মসিগী হায়রুরবদি ঐখোয়গী থায়নগী অহল লমনশিংসি পঙইকা হায়রু লাকউবা য়াবা নত্তে। পঙই হায়রুবা ঐনা ওইনদুম অপঙবা তাগনি। য়াম্না ঙক্লিবদি নুংশিংকী ওজোন ফাওজিল্লক্লগা মালেম য়ৌরক্লিবা মচু তরেৎ য়াওবা মঙাল অসি থৱায় পানবশিংদা অদুক্কী মতিক কান্নে হায়বসি মতৌ করম্না ঐখোয়গী থায়নগী অহল-লমনশিংনা খল্লম্লিবনো হায়বা অসিনি। মসিগী কান্নবা অসি বিজ্ঞানগী ৱাখল্লোন লাকত্রিঙৈদগী ঐখোয়গী অহল-লমনশিংদি হান্নদগী খঙলম্লে।

নুংশাগী মঙাল য়াওদ্রবদি পান্বীনা মচীঞ্জাক শুংবা ঙমদে, পান্বীসু চাউবা ৱাৎলি খঙবসি বিজ্ঞান হৈবশিংনা খঙবদগী ঐখোয়গী অহল-লমনশিংনা খঙবনা হাল্লি। অসুম্না অহল-লমনশিংনা জীব পানবশিংদা চংলিবা পোৎচঙ কয়াসি হান্নমা খঙলম্লে। অদুননি ইঙ্খোলদা হৌবা মনা-মশিংশিং অসি থুনা চাউনবা অমদি মহৈ-মরোং চুম্নবা নুংশাগী মঙাল লাকহন্নীংবদগী লৈচিল নোংফাই থাংবা মতমদা অসুম্না শৈশক্লরম্মী, “নুংশা লৈমা থোরক্লো, উরুম লৈমা চঙখরো-!”

চপ মান্নমা থায়নগী অহল-লমনশিংনা পীক্লিবা অঙাংশিংবু থুনা প্রপ-প্রপ চাউহন্নীংবা অমদি হেন্না মবুধি মরৌশিং লৈনবা ৱাখলদা নুমিৎনা থোকপা মায়কৈদা ওনশিন্দুনা থাঙ্গৎলগা হেক হেক চোংই। নুংশাগী মঙাল অমসুং মৈশানা জীবশিংদা কয়ামুক কান্নবগে হায়বদু থায়নগী অহল-লমনশিংনা খঙলকই। ৱাখল্লোন অসি চুম্মী হায়বদুগী খুদমদি পীক্লিবা অঙাংবু মবেন মবোক্লা নৎত্রগা মমানা ইরুবিবা হেক লোইবগা নুংশারোমদা ওনশিন্দুনা অসুম্না চোংলম্মী - “তিং-তিং চাউরো, নুমিৎনা কারিঙৈ কাহৌরো, থবীনা ৱাংলিঙৈ ৱাংহৌরো-!”

অসুম্না চাউনবা য়োক্লকপা মীতৈ মচানবু লেম্না মাঙবা হৌনব্রা? তাইবঙনা লাইনি হায়না শক-শোন্নরিবা নুমিৎকী পান্দমনি। নুমিৎকা শিংনরগে খল্লিবা ফূরুপ অদুদি ‘মৈরানবীনা মৈরীদা চোংশিল্লগা শিবা-!” গুম শিজবা তাবনি। ●

# ... খা ক্রক-ক্রক চীক্লি’সি শাওরিরা? ঙমসু ঙম্মোইদবদা!

– বি সী খুমন –

মৈতৈ/মীতৈশা, নখোয়মুক ঙকপা ফূরুপ মালেমসিদা লৈতে। গান্ধীনিতিদা ঙাওরিঙৈ, ঐখোয়দসু শীংনরক্কনু, নখোয়দসু ৱা অমত্তা হায়জরোই, অচুম্বদা ঙাওজবনি, হিংসাগী ৱাখল য়াওজদে খন্না কনাদসু ৱা অমত্তা ঙাঙলক্তবা মীতৈ ফূরুপ, নাকল কয়াদগী য়ৈরকপা শাফূ কল্লবা ৱাহৈ কয়ানা-নাকোং শীংজা য়ৈরে। অনাবদি শিখ্রে অদুবু অনাবগীদমক চেন-চোংজরিবশিংনা লাওবা-খোংবা কৈদৌরুনি, অশিবতনা অদুম মাঙজদুনতা তোকখিবনি। কুকিশিংনা মীতৈ মশীং থিঙমদনা হাৎখ্রে, মীতৈনা কৈদৌবা ঙল্লি। কান্নদে ৱা য়াম্লদি ফরক তাই হায়নি। মীয়ামগীদমক লৈরি চাউথোকচরিবা মণিপুর লৈঙাক, মশানা মশাবু লৈবাকনীংবনি হায়জরিবা-লূপ, সী এস ওশিং মশা-মশাগী ওইজবা তানবা ঙাক্তা ওইরমগনি হায়বসি থাজরমদবনি। হৌজিক্তি মচু শঙজিল্লবা লমহুইনা মহাক্কী মশক -মতাং চাদনা ফোঙদোকখিবদগী শায়াম্না হাৎখ্রে হায়বা ৱারীদু চপ চানা থোক্লে। লৈঙাকপশিং শাজিন্নবা ঙাক্তনি, সী এস ওশিং তেনৱা ঙাক্তনি হায়বসি লানগদ্রা । কান্নদেদা, মী ওইনা পোক্লদি নীংতম্না হিংসি, মীগী খদাং মখা থানা হিংবগী চৎনবী থাদোক্লসি। ওইজবা থিদনা মীয়ামগীদমক কখোকপা ঙম্বা মী মশীং য়ামদ্রিমখৈদি মীতৈ ফূরুপ মীয়ামগী মীৱা ঙাঙনফম ওইখিনি। ষণনা উরোক থোং লানখি হায়বা ঙম্বা মশীংনা য়াম্লি লমদমসিগী অহৈ-অপা শাবশিং। ওইজবা অমখক্কীদমক ফূরুপসি লৈখা তাখ্র’সু থোইদোক্তে খনবা মশীংনা য়ামখিবনা মীয়াম ৱারিবনি। ৱাই কৈদৌনি লায়রবনা ইনাকখুনবশিং শীংনবা ঙমদে। অদুম্মকপু থম্মোয়দা য়েকখিবশিংদুগী ৱায়েনদি লাইনসু, মতম্নসু শোয়দনা পুরক্কনি। ম্যান্মারদগী লিৎশিল্লকপা নার্কো টেররিষ্টশিংনা মণিপুরগী চীংমায় থন্না পোপি থারে। মতা ফবা চীংমায়দা মশীং খঙদনা য়ূম শাজিন্দুনা খুল তাশিল্লে। লৈঙাক্না তৌফম থোকপা এক্সন লৌরুবগী লৈঙাক্কী মায়োক্তা লান হৌবা ঙম্মী কুকি জো নার্কো টেররিষ্টশিংনা। মদুতা নত্তনা সী এম মীতৈনি, মীতৈ তুম্না হাৎকদবনি হায়না হান্না নুংশিননা লৈমিন্নরম্বা মীতৈশিংদা অফবা মখলগী নোংমৈ শীজিন্নদুনা লান্দাশিল্লকই। মীতৈনা কৈদৌরুবা ঙম্মী। লৈঙাকসু করিসু তৌবা ঙমদে। সেন্ট্রেল পেরা মিলিটরি ময়ামসু খঙশিন্নদা শানা কুম্মৈগুম য়েংদুনা লৈখি। কুপ্না থিজিল্লুবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী খূৎ য়াওরম্লে, করি তৌগনি। কুকিশিংবু হ্যুমেন সিল্ড ওইহল্লগা ইন্দিয়ানা চত্থরকপা প্রোক্সি ৱারনি। নত্তে হায়বা ঙম্ব্রা?

হেন্না থৱায় চাক্লিবনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না করিসু তৌরক্লোই খঙবনা কুকিশিংনা খুদোংচাবা লৌদুনা মোরে, চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপীনচিংবা মফম কয়াদা খুন্দাজবা মীতৈশিং অউ-অউবা হাৎতুনা, য়ূম মৈ থাদোকপীদুনা মীতৈদা পীবা য়াবা চৈথেং পীরে। মীতৈশিংনা করি তৌবা ঙম্মী। লমন খুম্বদি লায়রদনা লাইমন ওইদুনা শাংলবা চহী ২ মখায় য়ৌরক্লা ফাওবা তাসু তাবীররোইদবা খোল্লাওঁ লাউদুনা লৈরি। ইন্দিয়া লৈঙাক মরৌ লৈ খঙলমক্তদা ইন্দিয়া লৈঙাক্তা হঞ্জিন-হঞ্জিন লান খাম্বীনবা হায়জ-চৎচবগী কান্নবা করিনো? নপাঙ্গল নথৌনা লৈত্রদি ইন্দিয়া লৈঙাক্তা সরেন্দর তৌরো হায়না মীয়াম্না লাউরকপা ঙাইরিবরা?

করিগীদমক ইন্দিয়া লৈঙাক্না লমদমসিগী মীওইশিং অসুক য়াম্না তাথীরিবনো হায়বগী মরমসু চাউনা লৈ। করিগীদমক কুকিশিংদা নুংশি মীৎয়েং য়েংশিন্নরিবনো হায়বগীসু মরম লৈ। ইন্দিয়াগী জিও-পোলিটিক্সনা মরম ওইরগা মীতৈশিং বলিগী হামেং ওইহনবদি মীতৈশিং মথিবোং পান্দবননি। মীতৈশিংদি মশানা মশাবু য়াম্না চাওখৎলবা ফূরুপ অমনি খন্না মানা মানা থোকপা হিংনরম্বা য়াম্না পাঙখিদ্রবা মী ঙাক্তা ওইরম্মে হায়না চিন খুম্না নোক্নরিসি ময়াম য়েংদুনা লৈবা ঙল্লিব্রা? নীংতম্বা মশক খঙদনা নীংতম্বা তানফম থোক্তে, য়েক্লবা কনানো থিদনা করম্না, কনাগা লম্বানগে হায়রিনো? ফ্রীদম ওফ স্পীচ, ফ্রীদম ওফ ৱার্শিপ, ফ্রীদম ফ্রোম ৱান্ট লোয়ননা ফ্রীদম ফ্রোম ফিয়র ..... গী ৱাহন্থোক মমুৎ তানা নৈনদুনা অমেরিকাগুম দেমোক্রেসিগী শেংলবা লৈবাক ইন্দিয়ানা মতৌ তমগে খন্দ্রি। বৃটিশ মতমগী দিভাইদ এন্দ রুলগী মহাও কোক্ত্রিবা ইন্দিয়ানা চাওখৎ লমজেল তান্নগনি খল্লিবসি নোক্লিংই। অদুমকপু চাওখৎপা পাম্মী হায়বগীদি থাগৎনীংই। চপ মান্নমা চাওখৎমিন্নসি হায়বদি দু এন্দ দোন্টস নাখৈ হান্না শেংখিগদবনি। ইন্দিয়া দিক্টেটরশিংনা পানবা লৈঙাক নত্তে হান্না খঙহনবা মথৌ তারি। ইন্দিয়া মনুংগী অমোৎপশিং ত্রান্সরেন্ট ওইহনবা য়াম্নমক মথৌ তারি। তৌগদবা থবক খুদিংমক অহান অকোন খঙনা তৌনবা হোৎনবা মথৌ তাই। শেলনা, কিহন-খোৎহনবনা সোল্যুশন পুরক্কনি খল্লিবা ৱাখল্লোন হোংদোকপা মথৌ তাই।

নাগানা নৎত্রগা মীতৈনা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন তানবদা লোনা অথিংবা পীদে। ইন্দিয়া লৈঙাক্না অয়াবা পীবা নৎত্রগা পীদবনা অতোপ্পা ৱাফমনি। কুকিশিংনা তাল্লকপসিদি হীরম অমত্তদা খন্ননীংঙাই ওইদে হায়বসি পুৱারী ফাক্কৎপদা ময়েক শেংনা চোংথোক্তুনা লৈরে। কুকিগা মণিপুরগা হীরম অমত্তদা মরী লৈনরমদে। নোমেদিক ত্রাইব ওইনা মফম অমদগী অমদা মতম মতমগী ওইনা মতম খরা য়ুম্লিং খুল্লিংলম্বা মশাগী হৌরকফম মফম খঙদবা কুকিশিংনি। কুকি লান মতুংসিদা কুকি কনানো থিগৎনরকপদা কুকিশিংগী মফম নোংম-নোংমগী মাঙশিল্লক্লি। মেঘালয়, অসাম, নাগালেন্দ কুকিশিং য়মৌনখ্রে। খরা খজিক শাফবা মফম হায়বা তারবদি মিজোরাম অমদি মণিপুর তারে। মিজোরামগী ৱাফম থমখ্রগা মণিপুরদদি কুকিশিং মথোংদতা কনবা খুনুগুম্লে। ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্ট্রিগী য়াথং অমদা কুকিশিং মকোক মমৈ খঙলক্তবসু য়ারি। কুম্মৈ য়েংখিসি। কুকি খুদিংমক দ্রগ লল্লোনবনি, নার্কো টেররিষ্ট ঙাক্তনি হায়রুবদি শাওনরকপসু য়াই অদুবু চাম্মদা চাম্মগী ময়াদি চুম্লমগনি হায়নরি। হান্নদি অদুক হাক্না শাথীরমদে অদুবু গোল্ডন ত্রাইএঙ্গল কায়খিবদগী অমদি ম্যান্মার লৈঙাক্না কুকি জো নার্কো টেররিষ্টকী মথক্তা তকখায়রকপদগী মণিপুররোমদা মথ্বায় হিংনবা চেনশিল্লকখ্রবা মতুং চুড়াচান্দপুর, চান্দেল অমদি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্তকী মহৌশাগী ফীভম শাথীনা হোংখ্রে। হান্না লৈজরম্বা কুকি মীয়াম, নৌনা লিৎশিল্লকপা নার্কো টেররিষ্ট, দ্রগ মাফিয়াশিংনা ওভর পৱার তৌখ্রে। কুকিলেন্দ-খৃষ্টিয়ান কন্ত্রি অমগী মঙলান্দা ককঙাওনহনখ্রে। শেমজিন শাজিনবা প্রোপেগন্দাশিংনা মীতৈশিং য়েক্লবা ওইনা উহনখ্রে। অতম্নমা মীতৈশিং শাওহনবনা মখোয়গী তৌদ-য়াদ্রবা মথৌ ওইরি। মীতৈগী লাইফম থুগাইরি, মীতৈগী য়ূম মৈ থাদোক্লি, মীতৈগী লৌবুক লম্মাং তেমখাইরি। মদুনসু পেন্দ্রদুনা অউ-অউবা মীতৈশিং অফবা মখলগী নোংমৈনা কাপ-কাপ্তুনা হাৎখ্রে। হেন্না ঙক্লিবনা হোমলেন্দ ফংলবগুম লম্বী-থোং কয়া শেমগৎ-শাগৎখ্রে। কুকিনা ৱাখলনা শাজবা কুকিলেন্দগী রিং-রোদ শেম শাবা লোইশিল্লক্লে। দিমাপুর লাইন, জিরি লাইন কুকিশিংগী শেলগী পেরে ওন্থোকখ্রে।

পূন্নমক ইন্দিয়া লৈঙাক্না খঙদে-উদে হায়বা য়ারোই। থৌওইনা ইনশিল্লম্বসু য়ারি। মচিন্দা ‘রাম-রাম’ শোঞ্জবতনি মপুক্তা থাঙ য়েপ্পা লৈঙাক্লোই ঙাক্তনি। লৈঙাকপশিং মপুকচেল শেংদে খঙবনা ব্যুরোক্রেট ওফিসরসু তাঞ্জা য়েংনা হুরান লোনচৎ চৎনবা কোকথোং কোকথোংনি। নার্কো কুকি টেররিষ্টকী অথেনপোৎনা নুঙাইবা শীঙদা চনখিবা মরাইবক ফবা মিলিটরি ওফিসর মশীং খঙদনা লৈখ্রে।

পূন্নমকসি ‘মীতৈ নৈখায়গদবনি’ হায়বা অরোনবা প্রোপেগন্দা অমা লৈরম্লোইদ্রা? ইনিদয়ানা লানগী পোরম, ছত্রং শান্নরি। কুকিশিং ছত্রংগী খোঙবী-খোঙনাও ওইরি। লানফম্না লোইজি লোয়াগী কুকি খুলশিংগা তাইনবা খুঙ্গংশিংদনি। মতিক মথৌনা লৈখ্রবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মীৎয়েংলোই (ভাবোক) ওইরি। মীতৈশিং শাওবনা ফি-ফি কাল্লি। তাইনফম্না ফম তাখ্রবা লৈঙাক্কী মিনিষ্টর/এম এল এশিংনি। এম এল এশিংনা মরোল অমা লাল্লক্তা নিংথৌ ওইনীংবগী মঙ মঙনবা শুকলেপ লেপত্রি। ●

# ‘মণিপুরদদি ঐ শুংচৎ চৎলরোই’

– মোইরাংথেম নবকিশর –

অদুঙৈ মালেমগী লৈবাক কয়া খুদুম চন্দুনা লোইলম শন্দোরকখিবা শক্তি লৈখ্রবা বৃটিশ এম্পয়রনা ইন্দিয়াগী নিংথৌ পানবা লৈবাক কয়াবুসু লান অমত্তা তৌদনা লৌনম তৌরগা লৈবাক অমগা লৈবাক অমগা লল্লোন ইতিক তৌনবগী নামাদা য়ান্ন-চে খরা ইন্নরগা মদুনা য়ূম্ফম ওইদুনা চাউখ্রবা ইন্দিয়া পূম্বা লৌশিনখ্রবা মতুং পীকখ্রবা ইরমদম সনা লৈবাক মণিপুরবুসু লৌনম লাং থাক্তুনা লৌশিন্নবা হোৎনবদা মায় পাক্লক্ত্রবদা মতমদুগী মহারাজ কুল্লচন্দ্রগী মথক্তা অহিংদা লোন্না মণিপুরগী সনা কোনুং লৌশিন্নবা লান্দারুবদা সনা কোনুং লৌশিনবা ঙম্বদি লায়রদনা বৃটিশ ওফিসর মঙা [(1) Mr. Grimwood, Political Agent 2) Mr. James Wallance Quinton Chief Commissioner of Assam 3) Colonel Charles Mc. Dowal Skene Commandant of 42nd Gurkha Rifles 4) Mr. W.H. Cossins Asst. Secy. Chief Commissioner of Assam and 5) Leiutenant Walter H. Simpson)] ফারগা মঙক কক্তুনা হাৎখি। মীতৈশিংগী থৌনা লিংজেল ময়েক শেংনা খঙহনখি। মমা লৈবাকপু কয়া য়াম্না নুংশিজবগে হায়বদু থবক্লা উৎখি।

মদুগী মতুং ইকান কান্নদনা মার্চ ৩১, ১৮৯১দা বৃটিশ গভর্ণমেন্টনা মণিপুর (কিংদম ওফ মণিপুর) গী মথক্তা মতমদুগী বৃটেনগী মহারানি ভিক্টোরিয়ানা ৱার দিক্লয়র লাউথোকখি। মণিপুরগী মায়কৈ মরিদগী বৃটিশকী লান্মী তেঙ্গোল তেঙ্গোল থাজিল্লক্তুনা শক্তি লৈখ্রবা মতমদুগী বোম/টোপ/নোংমৈ কয়া লেপ্তুনা কাপশিল্লক্তুনা লান্দারকখি। এপ্রিল ১৩, ১৮৯১দা খোংজোম লানফমদা মণিপুরগী অথৌবা মীতৈ নোংশা পাওনা ব্রজবাসিনা লান্দা থৱায় থাখিবদগী খোংজোম লান মায়থীখিবদুনা অচৌবা মরম ওইদুনা মণিপুরগী সনা কোনুং বৃটিশনা লৌশিনখি। চহী লিশীং কয়া কনাগী মীখা পোন্দনা হাইনা হুম্না পাল্লকখিবা সনা লৈবাক মণিপুর বৃটিশ এম্পয়রগী মখাদা কুমজা ১৮৯১দগী চহী ৫৬ লোম বৃটিশকী মীখা পোন্দুনা লাকখ্রবা মতুং ওগষ্ট ১৪, ১৯৪৭তা বৃটিশনা মণিপুরগী নীংখা তম্বা অমুক শিন্নবীরমখি। ওগষ্ট ১৫, ১৯৪৭তনা বৃটিশনা ইন্দিয়াবুসু নীংখা তম্বা শীন্নবিরম্লগা ইন্দিয়া থাদোক্তুনা চৎখি।

বৃটিশনা মণিপুরগী নীংখা তম্বা হেক হঞ্জিলহল্লম্বা চহীদুমক্তদা মণিপুর কন্সটিট্যুশন এক্ট, ১৯৪৭ শেমদুনা নিংথৌগী সাসন মূখৎলগা মীয়াম্না মীয়ামগী মীহুৎ খঞ্জগদবা দেমোক্রেসি চৎপা এসিয়াগী অহানবা লৈবাক অমা ওইনা কুমজা ১৯৪৮দা অপূনবা মেম্বর ৫২ লৈবা (তম্পাক্কী ৩৪, চীংদগী ১৮) গী মনুংদা মতমদুগী মণিপুর কোংগ্রেসনা সিট ৪৪, প্রজা শান্তিনা সিট ১২, মণিপুর কৃশক সভানা সিট ৬, অতৈ ইন্দিপেন্দেন্ট ১৮ কাদুনা মতমদুদা প্রজা শান্তি পার্টিনা লুচিংবা কৃশক সভা অমদি ইন্দিপেন্দেন্ট কয়ানা শৌগৎপা মহারাজ প্রিয়োব্রতনা লুচিংবা লৈঙাক অমা লিংদুনা লৈবাক ঙাক্লকখিবনি।

নিংথৌদি মমিংতগী ওইনা হেদ ওফ দি গভর্ণমেন্ট ওইজবখক্তনি। লৈবাক্কী ৱায়েল চুপ্লিদি মতমদুগী কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিংনা পায়খ্রবনি। অদুবু লাইবক থীবদি মতমদুগী নৌনা অনৌবা লৈবাক অমা শেম্নবগী দোমিনিয়ন ওফ ইন্দিয়া (Dominion of India) গী লুচিংবা খরনা মপূং ওইনা ভি পি মেনোন, এদভাইজর গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা মণিপুরগী মমিংতগী ওইনা লৈরবা ইনিংথৌ মহারাজ বোধচন্দ্রবু শিলোংদা কৌরগা নমদুনা মণিপুর ইন্দিয়াদা (Dominion of India) তিল্লে হায়বা মর্জর এগ্রীমেন্ট অমদা খূৎয়েক পীহন্দুনা মতমদুগী লৈঙাক সাসন পায়খ্রবা কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিংগী অয়াবসু য়াওদবা খূৎয়েকসু পীহন্দনা মণিপুরবু নমদুনা সেপ্টেম্বর ২১, ১৯৪৯দা বোধচন্দ্রবু খূৎয়েক পীহল্লগা ওক্টোবর ১৫, ১৯৪৯দা মণিপুর ইনিদয়াদা তিল্লে হায়দুনা লাউথোকখি। পাউসি মতমদুগী অমেরিকাগী ন্যু য়োর্ক টাইমসনা ফাওবা কোদ তৌদুনা ফোঙখি।

নীংখা তম্লবা লৈবাক অমবু লৈবাক অমগী মখাদা লৈবা শক্তি অমত্তা মপূং ফানা শীন্নদবা পার্ট সি ষ্টেট ওইনা চহী কয়া নমশিন্দুনা থম্বীখি। মতম অদুৱাইদনি মণিপুরগী নীংখা তম্বা অমুক হঞ্জিনহনগদবনি হায়দুনা মণিপুরবু/মমা লৈবাকপু নুংশিজবা নহারোল কয়ানা লোন্না মখূৎতা খূৎলায় পায়দুনা লালহৌবা লিংখৎনরকখিবা। মদুবু নমথনবনি হায়দুনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না ‘আর্মড ফোর্সেস স্পেশল পৱার্স এক্ট, ১৯৫৮’ (হেক চিংনবদা কাপ্তুনা হাৎপা, হাৎপা ঙম্বগী সিফাইদা শক্তি পীবা) লো অমা লমদমসিদা চহী কয়াগী মমাঙদগী চলাইদুনা লাকখ্রিবা।

মৈহৌ লাংপোক, মীশি-মীনা কয়াগা লোয়ননা উচিন-নাচিন্না কুমজা ১৯৭২দা ষ্টেটহুদ পীবিরমখ্রে। মপূং ফাবা ষ্টেট অমা ওইরক্লবা মতুং মীয়ামগী মীহুৎ খন্দুনা লৈঙাক লিংনবা বিধান সভা মীখল মথং মথং পাঙথোক্তুনা লাকখিবদুনা ১২শুবা মণিপুর বিধান সভা মীখল কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্তুনা পার্টি অমগী মেজোরিটি ফংদুনা লৈঙাক শেল্লকখিবা, মীখল মমাঙদা মেজোরিটি খক্তা ফংহল্লু মণিপুর সনা লৈবাক ওন্থোকপীগে হায়খিবা এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অদু মে ৩, ২০২৩দা মীতৈ কুকিগী লান লাকখিবদগীদি দবল ইঞ্জিন লৈঙাক ওইজরবসু সেন্টরনা পাঙ্গল শক্তি অমত্তা ফূদোকপা য়াহনখিদ্রবা/আর্টিকল ৩৫৫গী হংলাই গভর্ণমেন্ট অমা ওইনা মতম শাংনা চহী অনীরোম ফানিংচিৎ ফেব্রুৱারী ৯, ২০২৫দা বিরেননা চীফ মিনিষ্টর ওইবদগী ফম থাদোকপা নুমিৎ অদুফাওবা লৈরকখিবরা? ● (মখা চত্থজরকখিগনি)

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১২০গী ৱাহং**

১) “নীংতম্বে ’ই কোরৌ মঙালনা তরং তরং
সনা ঈরিক চাইথবগুম চাইথরক্লেনে
ঙসি নোংপোক চীংদোমপোক্তগী।”
শৈরেং মতেক অসি য়াওরিবা লাইরিক অসিগী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো?

২) “লৈরি নঙদি থম্মোয়নুংদা” হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্লি। অইবা অসিগী মমিং হায়যু।

৩) “নীংশিং লকানুংদগী” হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৪) প্লেটোগী ‘দ রিপব্লিক’ হায়বা দাইলোগ অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৫) “লাইরিক অসি পারক্পদ মসিদ শীজিন্নরিবা ৱাহয় ৱারেংনচিংব অসিদ মপালথোংদ মতিক চাবা সাহিত্য অমা ওইনা উবগুম্ মনুংগী ভাবত য়েংলগদি বিজ্ঞান্গী অথুপ্প ৱা ফজন ফোংদোকই।”
ৱাহৈ পরেং অসি অরিবা লাইরিক অমগী ‘ৱামাঙ য়ান্বা ৱাহয়্ খর’ গী মনুংদা ইবনি। লাইরিক অসিগী মমিং ইরকউ।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।